**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-10-2023)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৭-১০-২০২৩, থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রাভানুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) অৱাংনোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা ইহান্না হানবা ওইনা ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভিং ত্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্তর (আই.দি.টি.আর.সি) লৈবা রাজ্য মনিপুরনা ওইরে।

২) মুখ্য মন্ত্রিনা নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা ইরাংনা মরম ওইরগা চাউখৎ থৌরাং কয়া অপনবা পীখিবা অসি মেনখৎনবা চাউখৎ থৌরাংগী খোংজেল হেন্না য়াংশিলহনবা তঙাই ফদে।

**অমসুং**

৩) চাইনাগী হাংঝৌদা চথরবিবা এসিয়ান গেমসতা ভারতনা মেদল ৯৫ফংদুনা মরি শুবা মফমদা লৈরি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**সি.এম(এল)ঃ** অৱাংনোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা ইহান্না হানবা ওইনা ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভিং ত্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্তর (আই.দি.টি.আর.সি) লৈবা রাজ্য মনিপুরনা ওইরে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোপ-দুসারাদা লৈবা সেন্তর অদু কেন্দ্রগী রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱে মন্ত্রালয়গী মখাদা শাবনি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা সেন্তর অসি শঙ্গাবগী থৌরমদা হায়- সেন্তর অসিগী অয়াবা য়াওদনা দ্রাইভিং লাইসেন্স পিহন্দবা অমদি গাড়ি অহনবা লৈবদা অথিংবা থমবগী প্রোভিজনশিং মরী লৈনবা রুলদা হাপ্পগনি ।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা লম্বীগী এক্সীদেন্টশিং থোকপগী মরুওইবা মরমদি গাড়ি থৌবগী নিয়মনচিংবগী মতাংদা মীয়ামা নিংথিনা খঙবা ৱাৎপদগীনি। মীয়ামা ত্রাফিক্কী নিয়মশিং ঙাকনা চৎপগী তঙাই ফদবা লৈ। ইন্সটিট্যুট অসিনা মীয়ামদা কান্নবা পীদুনা লম্বীগী এক্সীদেন্ট থোকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং ওইগনি হায়বগী থাজবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**সি.এম-২(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্ফেলপাৎতা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট অনি হৌদোকখ্রে।

প্রোজেক্টশিং অদুদি - পুৱারিগা শগোন্নরিবা লম্ফেলপাৎকী ৱাটর বোদি শেমগৎপা অমদি ইম্ফাল সহরগী ইন্তিগ্রেতেত সিৱেজ সিষ্টেম ফেজ টুনি।

অহানবগী প্রোজেক্ট অসিনা ইম্ফাল সহরদা ঈশিং থুমজিনবা কোকনবা, থকবা ঈশিং লেপ্তুনা পীবা অমদি ইকো টুরিজম চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎকদবনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়-মনিপুরদা ইরাং লৈবনা মরম ওইরগা থা ৫ রোম অসি সরকারনা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাং কয়া অপনবা পীখিবা অসি মেনখৎনবা মমাংদা লৈরম্বা চাউখৎ থৌরাংগী খোংজেল অদু হেন্না য়াংশিলহনবা তঙাই ফদে। প্রোজেক্ট অসি চহি ৪গী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ফৌবাকচাউ ইখায় য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাঞ্জেন্নরুরবা মীওইশিং মশা মশাগী য়ুমদা চংবা হৌরকপা অসি তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপগী খুদমনি। মশাগী য়ুমদা হঞ্জিল্লক্তুনা লৈবা হৌরবশিংগীদমক সরকারনা লুপা লাক ২-২ পীনবা থৌরাং তৌরে। লোয়ননা মফম অদুগী মহৈরোইশিং মহৈ-মশিং নিংথিনা তমহন্নবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং দি.সিনা জেদ.ই.ওশিংগা তান্নদুনা পায়খৎপা হৌরে হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**ৱাল্ড লাইফ(এল)ঃ** ৬৯ শুবা ৱাইল্ড লাইফ চয়োল পালনগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা ভাব তাহনবগী অমসুং মনা য়েন্থোকপগী থৌরাম অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী ইয়াম্বা নিংশিং শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর লৌরেম্বম বিক্রমনা লোক্তাক পাৎ অমদি মসিগী অকোয়বদা চক্তারিবা শা -উচেকশিং কনবগী কেম্পেই অমা হৌদোকখ্রে। মহাকা হায়- অকোয়বগী ফীভম কন্নাবা হোৎনবদা মহৈরোইশিং অমদি অতৈ ইদুকেসন ইন্সটিটুট্যসনশিংনা অচৌবা দাইত্ব লৌনবা হোৎনগবনি। মীয়ামা লমলক্কী শা-উচেক হাৎপিদনবসু শ্রী বিক্রমনা আপি তৌরি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা পেন্তিং, এসে অমসুং স্লোগান রাইটিং কমপিতিসনগী মকোক মথং তারবশিংদসু মনা মথুম য়েন্থোকখি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। বিষ্ণুপুর,চুরাচান্দপুর, ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাগী মরুওইবা মফমশিংদা থিবা হুম্বা চথুখি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মোইদাংপোকখুনৌদগী ৮৪ এম.এমগী ইল্লুমেনিতিং সেল অমা ফংখি। তুংদা মনিপুর পুলিস বোম দিসপোজর স্কৱাটনা মফম চাবা য়েংদুনা পোখায়হনখি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।
বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**-তারিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি-**

**সিক্কিমঃ** সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি শ্রী প্রেম সিংহ তমাংনা হায়রি- ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক কন্না চখরি। রিলিফ টিমশিংনা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকপগী থবক কন্না চখরি। মুখ্য মন্ত্রিনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংশিংদা লুপা লাখ ৪-৪গী এক্সগ্রেসিয়া পীগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা লাউথোকখি।
রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদসু খুদক্কী ওইনা মীওই অমমমদা লুপা লিশিং ২-২ পীগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা লাউথোকখি। মরক অসিদা রাজ্য অসিদা ঈচাউগী ফীভম অসি য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী ইন্তর-মিনিস্ত্রিরিয়েল সেন্ত্রেল টিম অমা শেমখ্রে। কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না হায়-টিম অসিনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎকনি অমসুং মফমশিং অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা কেন্দ্রগী অহেনবা শেন্থংশিং পীথানবা থৌরাং তৌগনি। হৌজিক ফাওবদা কেন্দ্রনা লুপা কোতি ৪৫ কায়থোকনবা অয়াবা পীখ্রবনি।

হৌজিক ফালবদা ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২৬ লৈখিদ্রে। ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট বিভাগনা হায়- লান্মীগী মীওইশিং য়াওনা মীওই ১৪২ হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি। য়ুম লিশিং ১১০০ হেন্না অমাং অতা থোকখ্রে। অমদি মীওই লিশিং ১৪০০ হেন্না কনবা ঙমখ্রে।

**মৈঃ** মুম্বাইগী গোরেগাউন্দা মী লৈনবা মথোন ৭ লৈবা বিল্ডিং অমা ঙরাং মৈ চাকপদা অঙাং অনি য়াওনা মীওই ৭ লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা ফাইয়র সার্ভিসকী মীওইশিংনা মীওই ৫১ কনবা ঙমখি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৪০ হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়খৎনরি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ৫ গী ফীভম লুনা লৈরিবা হায়রি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। শ্রী মোদিনা লৈখিদবশিং অদুগী নকবা মরী মতাশিংদা প্রাইম মিনিস্তর নেসনেল রিলিফ ফন্দগী মখাদা লুপা লাখ ২-২ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। থৌদোকশিং অদুদা অশোকপশিংগী লায়েংবদা চংবা শেনফমশিং রাজ্য সরকারনা পুথোক্কনি হায়নসু শ্রী মোদিনা লাউথোকখি। মৈ চাকপগী থৌদো অদু বিল্ডিং অদুগী গাড়ি খামফমদা খামদুনা লৈবা গাড়ি অমা মৈ চাক্লকপদগী মথং মথং শন্দোরকপনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি।

**গেমস ঃ** চাইনাগী হাংঝৌদা চত্থরবা এসিয়ান গেমসতা ভারতনা মেদল হৌজিক ফাওবদা ৯৫ ফংলে। মসিগী মনুংদা সনাগী ২২, লুপাগী ৩৪ অমসুং সেঙ্গেংগী ৩৯ য়াওরি। মসিগা লোয়ননা ভারত মেদল তেল্লিগী মরি শুবা মফমদা লৈরি।

হন্দক্কী এসিয়ান গেমস অসিদা ভারকী শান্নরোইশিংনা মশান্না কয়াদা মায়পাকপা ঙল্লে।ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী হোকিদা ভারতনা জপানবু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান ফংলে।

নুপীগী আরচরিদা ভেটনামবু পোইন্ত ৬-২ দা মাইথিবা পীদুনা সেঙ্গেংগী তকমান ফংলে। নুপীগী সেপাতাকক্রোদা সেমি ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী মখুত্তা মায়থিদুনা ভারতনা সেঙ্গেংগী তকমান ফংহৌরে।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১)    অৱাংনোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা ইহান্না হানবা ওইনা হন্সটিটুট ওফ ড্রাইভিং ট্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্তর (আই.দি.টি.আর.সি) লৈবা রাজ্য মনিপুরনা ওইরে।

২)    মুখ্য মন্ত্রিনা নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা ইরাংনা মরম ওইরগা চাউখৎ থৌরাং কয়া অপনবা পীখিবা অসি মেনখৎনবা চাউখৎ থৌরাংগী খোংজেল হেন্না য়াংশিলহনবা তঙাই ফদে।

**অমসুং**

৩)    চাইনাগী হাংঝৌদা চত্থরবিা এসিয়ান গেমসতা ভারতনা মেদল ৯৫ফংদুনা মরি শুবা মফমদা লৈরি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি- চিত্রাভানু**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা হায়রগদি- মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা আই.দি.টি.আর.সি শঙ্গাখিবগি পাউ লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংশিংগী থবক হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং , তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরক্লি। মোবাইল ইন্তরনেট হাংদোক্তবগী মায়োক্তা কৌখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদনা পীবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু পাউচে অয়াম্বদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

**সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা** -পোপি পান্বীশিং মাংহনবা হৌরনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা -মহৈরোইশিংদা কা হেনবা থৌওং চথখিবগী হায়কোর্টনা নোতিস পীখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ-হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেলাইন তৌরি। হেদলাই অদুদি - সেক্যুরিতি ফোর্সনা মহৈরোইশিং অমদি মীয়ামদা কা হেন্না চথখিবগী মায়োক্তা হায়কোর্টতা ৱাকৎলক্লে। মীফু চৈফুদা শোক্লবশিংগীদমক করি থবক লৌখৎখ্রবগে হায়বগী রিপোর্ট পীরকবা হায়কোর্টনা চিফ সেক্রেটরিদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা - ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভিং ত্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্তর শঙ্গাখ্রে। ত্রেনিং সেন্তরদগী সার্তিফিকেদ পায়দ্রবদি লাইসেন্স পীবা অমদি গাড়ি লৈবা য়ারোই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহনবা হেদলাইন তৌরি। অনিশুবা হেদলাইনদা মোবাইল ইন্তরনেট হাংদোক্তবগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ, গাড়ি ৭ থুগাইখ্রে , ৬ না শো মুনখ্রে, গাড়ি ১৫০ লম্বীদা পন্দুনা লৈরি।

গাড়িশিং পন্দুনা লৈবাগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসন, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল হায়বা পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরক্কি।

সনাল লৈবাক পাউচেদা - নোর্থ ইষ্টতা অহানবা ওইনা দ্রাইভিং ত্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্তর হাংদোকখ্রে হায়নবা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মনুং চন্না বোক্স হায়লাইদ তৌদুনা ম্যান্মার, বঙ্গলাদেশকী লালহৌবশিংগা মনিপুরগী লালহৌলুপ খরা পুল্লগা ইন্দিয়াগী মথক্তা চত্থরকপা লাননি হায়না সেন্তরনা খঙলে ৱাফম সব হেদলাইন তৌরি। মুখ্য মন্ত্রিনা আই.দি.টি.আর.দি শঙ্গাখিবা অমসুং লম্ফেলপাৎতা তোভান তোঙানবা প্রোজেক হৌদোকখিবা থৌরমশিংগা মরী লৈননা পাউশিং অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং ,পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, পোকফম অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন হায়রিবা পাউচে অসিদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরক্কি।

মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নবগী পাউদম ওইনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ঙসিসু ৱারেপম সোভা কৌবা মীওই অমনা ফোংদোরকপা ৱাফম হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। হেদলাইন অদুদি- কুকি লমহেনবা খরনা মীতৈগী দুকানশিং ফকখায়রগা পোৎচৈ হুরানবদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সকী পরসনেলশিংনা চগৌ য়েংলগা লৈখি হায়বসিনি।

গানফিউ মেলদা - ইকোনোমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরগা মাল পুবা গাড়ি ৩০০ গী মথক্তা পল্লগা লৈরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।পাউ অসিগা মান্নবা পাউ তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইকোনোমিক ব্লোকেদ খুদক্তা লেপবা এন.পি.ওনা খঙহনখ্রে হায়না হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

----**চিত্রাভানু**-----